

দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৪.৮ লৈরবা অম্বানিগী ইমুংনা এসিয়াদা খ্বাইদগী ইনাকখুনবা ওইরে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৬(এজেন্সী):

দোল্লর বিল্লিয়ন ৪৪.৮ লৈরবা অম্বানিগী ইমুংনা এসিয়াদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ইমুং ওইরে।

ফোর্বসনা থাদোরকখিবা ইনাক খুনবশিংগী লিষ্টতা অম্বানিনা চহী অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ১৯ তান্দুনা সেমসংগী লি ফেমিলিদগী মাঙজিল থাবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ইমুং ১০ খনগৎপগী মনুংদা য়াওরিবা ইন্দিয়ন ফেমিলি অম্বানি খক্তনি। অনীশুবা মফমদা হাইথখ্রবা কোরিয়াগী লি ফেমিলিনা চহী অসিদা দোল্লর বিলিয়ন ১১২ তান্দুনা অপূনবা শেনফম দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০.৮ পায়বা ঙম্লে হায়রি। ফোর্বসনা এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ইমুং ৫০গী মমিং লাউথোরকখি। রিএল ইষ্টেট কন্ট্রোল তৌরিবা সন হং কাই প্রোপর্টিজনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪০.৪ পায়দুনা ইনাক খুনবশিংগী লিষ্টতা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি। থাইলেন্দগী চেরাভেনোন্ট ফেমিলিনা মরিশুবদা লৈরে হায়রি। মুকেশ অম্বানিগী রিলাইন্স ইন্দষ্ট্রিগী শ্যের অঙকপা ফংনা ৱাংখৎলকপা থেংনখি। কুমজা ২০১৬ তা লোঞ্চ তৌখিবা অম্বানিগী রিলাইন্স জিওগী কষ্টমর মিল্লিয়ন ১৪০ হেন্না লৈরে।

ফোর্বসনা ফোঙলকখিবা এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ইমুংশিংগী লিষ্টতা খ্বাইদগী য়াম্বা মওংদা ইন্দিয়াগী ফেমিলি ১৮ য়াওবা ঙম্লে। লিষ্টতা য়াওরিবা অতৈ ইন্দিয়াগী ফেমিলিশিং অদুদি, ১১শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা প্রেমজি (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৯.২), ১২শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা হিন্দুজা (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৮.৮), ১৪শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মিট্টাল ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৭.২), ১৬শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা মিস্ত্রি ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৬.১), ১৯শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা বিরলা ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪.১), ২০শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা গোদ্রেজ ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪), ২৬শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা বজাজ ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ৯.৩), ৩২শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জিন্দাল ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ৭.৭), ৩৫শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা বর্মন ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ৭.০৫), ৩৬শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা এইচর মোটোরসকী লাল ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ৭), ৩৭শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা শ্রী সিমেন্টকী বঙ্গুর ফেমিলি (দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.৭) অসিনচিংবনি।

বাইওমেট্রিক্না মরম ওইরগা রসন ফংহন্দবদগী য়ু পিদা নুপী অমা চরা হেন্দুনা শিরে : অখিলেশ

লক্ষ্নৌ, নবেম্বর ১৬(এজেন্সী):

বাইওমেট্রিক ফিঙ্গরপ্রিন্ট য়াওদে হায়বগীদমক দুকান মপূনা চেঙ পীয়ু য়ারকখিদবা মরম্না উত্তর প্রদেশকী বরেলিদা নুপী অমা চরা হেনবদগী শিখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, হৌখিবা নুমিৎ মঙানিরোম হকচাং ঙমদদুনা লৈরকখিবী নুপী অদু মপুরোইবগা লোয়ননা রসন শোপ্তা চৎপা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা দুকান মপূনা চেঙ পীরকখিদবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ যাদবনা হায়খ্রে মদুদি, দুকান মপূনা চেঙ পীয়ু যাদবদগী চরা হেনবদা মী শিবগী থৌদোক থোক্লিবা অসি ইকায়নিংঙাইনি। হকচাং ঙমদবা নৎত্রগা অচিনবা থবক লৈবদগী মশা চৎপা ঙমদবা নুপী কয়া মতৌ অসুম্না চরা হেনবদগী শিগদৌরিব্রা হায়না মহাক্না ওঠোরিটিশিংগী মফমদা হংখি।

লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা মথৌ তাবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না পল্লদুনা অখিলেশ যাদবনা হায়খি, ফনা য়াম্না চেকশিনবা রুল শেমখিবা তারবসু মীওইবা অমগী পূন্সিবু তরাইনা লৌফম থোক্তে। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা নুপী অমা চরা হেনবদগী শিরে হায়রিবা ৱাফম অসি য়ু পি অমসুং ইন্দিয়াগী ওইনা ইকায়নিংঙাইনি।

থৌদোক থোকখিবা মফম অদুগী সব-দিভিজনেল মেজিষ্ট্রেট রাম অক্ষয়না হায়খি মদুদি, নুপী অমা চরা হেনবদগী শিখ্রে হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরে। অন্টোদায়াগী কার্দ পায়বা লায়রবা ইমুংগী নুপী অমা শিখিবগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরগনি।

ঝরখন্দদসু আধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক লৈঙাক্লা রসন পীবীদবা মরম্না মশাগী চহী ১১ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা শিবা লৈখ্রবনি।

গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংনা নুপীমচা অদু মলেরিয়ানা মরম ওইরগা শিখিবনি হায়না ফোঙদোকপা তারবসু ইমুং-মনুংনদি চরা হেনবদগী শিখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা ঝরখন্দ গভর্ণমেন্টনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী রসন কার্দ কেন্সেল তৌদনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন খূদিংমক্তা খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা সমাজৱাদি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অখিলেশ যাদবনা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাং লৌখৎপগী মিংদা কাঙলুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা হোৎনরে। মমাঙগী সমাজৱাদি পার্টি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলম্বা থৌরাং কয়া চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্লি হায়নসু মহাক্লা মরাল শীরক্লি। মহাক্লা হায়খি, বি জে পিনা চাউখৎ থৌরাং লৌখৎপগী মিংদা ফুরুপ মশেল নুংশিনহন্দনবা হোৎনরে।

প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবদা কন্দক্টর অশোক কুমার চেন্নবগী খূদম ফংদে : সী বি আই

গুরুগ্রাম, নবেম্বর ১৬(এজেন্সী):

র্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মশাগী চহী ৮শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবদা কন্দক্টর অশোক কুমার চেন্নে হায়বগী খূদম ফংদে হায়না সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না ফোঙদোকখ্রে।

গুরুগ্রামগী কোর্ট অমদা অশোক কুমারগী বেল পিটিসন হিয়ারিং চথরিঙৈদা সী বি আইগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সী অসিনা হায়খি, হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা করিগুম্বা অশোক কুমার চেন্নরম্বগী খূদম ফংলবদি মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি।

মমাঙদা কোর্টনা করম্বা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা অশোক কুমারবু কেস অসিগা মরী লৈননা ফারিবনো হায়না সী বি আইদা হংখি। কোর্টকী ৱাহং অদুগী মতাংদা সী বি আইনা মতিক চাবা পাউখুম পীবা ঙমখিদে। মমাঙদা হরিয়ানা পুলিসনা অশোক কুমার ফাবগী মতাংদা অশোয়বা খরা য়াওখ্রে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

অশোক কুমারগী ইমুং-মনুংনসু হীরম অসিগী মতাংদা মীওই খরনা লৌতুনবগী খূদম ফংলে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী মতাংদা পীখৎলকপা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট সী বি আইনা য়ানিংদৱা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা গুরুগ্রাম পুলিসনা সী বি আইদা পীখৎখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট অদু মপুং ফাদ্রিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

র্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমারনা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎলম্বা য়াবগী খূদম ফংলে। অশোক কুমারনা চহী নৌরিবা নুপামচা অদুদা নৎতবা লিচৎ চৎনবা হোৎনখিবগী খূদম ফংলে হায়না গুরুগ্রাম পুলিসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবনি।

গুরুগ্রাম পুলিসকী রিপোর্ট পীখৎলকখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা প্রদ্যুমানগী ইমুং-মনুংনা হায়খি মদুদি, মীহাৎ অসিদা চেন্নে হায়বগীদমক ফারবা বস কন্দক্টর অশোক কুমার মরাল লৈরমগনি হায়বা থাজদে। মরম অদুনা সী বি আইদা কেস অসি পায়হনগদবনি।

সী বি আইনা প্রদ্যুমানবু মশাগী চহী ১৬ শুরবা মহৈরোয় অমনা স্কুলগী এগজাম য়ৈথোকহন্নবগীদমক হাৎখিবনি হায়না ফোঙদোরকপদা অশোক কুমারগী ইমুং-মনুংনা হরাওবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

গুরুগ্রামগী জুভেনাইল জষ্টিশ কোর্টনা মশাগী চহী ১৬ লোম শুরবা মীওই অদু সী বি আইগী কষ্টদিদা নুমিৎ হুম্নি থম্নবা খঙহনখিবনি।

প্রদ্যুমান থাকুরগী ইমুং-মনুংগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল সুশিল টেক্রিৱালনা হায়খি, চেন্নবা মীওই অদু অহল অমা ওইনা লৌবগা লোয়ননা ট্রাইএল চথরগা থৌরী য়ান্দুনা শিবগী চৈরাক পীগদবনি। প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী থৌদোক্তা মপূং ওইনা চেন্নে হায়বগীদমক স্কুল অসিমক্তদা ক্লাস এলেভেন তল্লিবা মীওই অমা সী বি আইনা ফাখিবনি।

পোল্যুসন থোক্লবসু দিল্লি হায় কোর্টনা হাফ মরাথোন পাঙথোকপা য়াহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৬(এজেন্সী):

দিল্লি হায় কোর্টনা নুংশিৎ মোৎপগী খূদোংচাদবা মায়োক্লুরিবা লৈবাক্কী কোনুংদা হাফ মরাথোন পাঙথোক্লুবগী অয়াবা পীখ্রে।

থৌরম অসিবু শিল্লিবা ওর্গনাইজরশিংনা করিগুম্বা লমজেল্লোয়শিংনা হাফ মরাথোনদা য়াওজররোই হায়রকপা তারবদি মখোয়না পীশিল্লকখিবা শেনফম পূম্নমক হন্দোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৫ দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা হাফ মরাথোনগী থৌরম অসি লাক্লিবা নবেম্বর ১৯ দা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

দিল্লি হাফ মরাথোনগী স্পোন্সর ওইরিবা ভারতি এয়রটেলনা মীয়ামদা এয়র পোল্যুসনননা পোকহল্লিবা নুংনাংবা পূম্নমক কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ওর্গনাইজরশিংনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্স (এ ক্যু আই) ৩৪৫ ওইরকখিবগা লোয়ননা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং খরমখৈ ফীভম ফগৎলক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা মথং চহীগী এপ্রিলদগী দিল্লিদা অফবা মখলগী থাউ শীজিন্নবা হৌরগনি হায়না ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০২০ গী এপ্রিলদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা বি এস - ৪ গ্রেদকী থাউ শীজিন্নহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। অদুবু, মতম খরা ঙনখৎনা দিল্লিদা অফবা মখলগী থাউ অসি শীজিন্নহন্দুনা গাড়ীদগী কামথোরকপা মৈখূনা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

লম্বীদা গাড়ী মশীং য়াম্না চেনবা অমসুং লৌবুক্তা অকংবা মনামশিং মৈ থাবগী থৌওংনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকখি। লৈবাক অসিগী ওইনা মীশীংগা গাড়ী মশীংগা পাথোক্লদুনা য়েংবদা গাড়ী খ্বাইদগী য়াম্না চেনবা মফম দিল্লিনা ওইরি।

মথং চহীদা রেলৱে কোচ খূদিংমক্তা বাইও টৌইলেট লৈহল্লগনি

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৬(এজেন্সী):

কুমজা ২০১৮ গী দিসেম্বর ফাওবদা মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজনা কোচ খূদিংমক্তা বাইও টৌইলেট ইন্সটোল তৌগদৌরি।

জর্মনিগী বোনদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স ওফ পার্টিজ (সী ও পি-২৩)গী ইন্দিয়ন পেভিলিয়নদা ‘ইন্দিয়ন ট্রান্সপোর্ট সেক্টর: মার্চিং টুৱার্দস সষ্টেনেবল মোবিলিটি’ হায়বা থৌরম অমদা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজগী মেম্বর (রোল্লিং ষ্টোক) রবিন্দ্র গুপ্তনা সষ্টেনেবল মোবিলিটিগী মতাংদা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং মরিক চুম্না ফোঙদোকখি। মরুওইনা স্বাছ ভারত অমসুং ওপন দিফেকেসন ফ্রীগী থৌরাং মখাদা বাইও টৌইলেট শেম্নবা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা পায়খৎপা থৌরাংশিং মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেসন অনী লৈবা থৌরম অদুগী অহানবা সেসনদা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা কার্বোন থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং ফোঙদোকখি। অনীশুবা সেসন্দনা ইন্দিয়ন ট্রান্সপোর্ট সেক্টর ফগৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাং পূম্নমক ময়েক শেংনা থমখি।

শক্লাইরবা মীওইশিং, পোলিসি মেকর অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী মীহুৎশিং য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মীওই ৫০ রোম্না থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

ইলেক্ট্রিফিকেসন, ইনর্জী ইফিসিএন্সি ইনিসিএটিব অমসুং রিন্যুএবল ইনর্জী দিপ্লোয়মেন্টনচিংবা ইন্দিয়ন রেলৱেজনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মরমদা ওদিও ভিজ্যুএল ফিল্ম অমা উৎতুনা থৌরম অদু হৌদোকখি।

কাউন্সিল ওফ ইনর্জী, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ৱাটর (সী ঈ ঈ দব্লিয়ু), ইনর্জী এন্দ রিছোর্সেস ইন্সটিট্যুট, এফ আই সী সী আই অমদি আর আই টি ঈ এসনা খূৎশম্নরগা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

ম্যান্মারগী গ্রেস হোস্পিটালদগী পুরকপা অনাবা ১ ফহনবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ : ম্যান্মারগী গ্রেস হোস্পিটালদা লায়েংবা ঙমদ্রে হায়বা অনাবা অমা মোরে হোস্পিটালদা লায়েংবদগী ফবা ঙমখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা তামু টাউন মনুংদা লৈবা প্রাইভেট গ্রেস হোস্পিটালদা ম্যান্মারগী ডোক্টরনা অয়ুক্তগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা লায়েংলবা মতুং ঙল্লরোই হায়রকপা অনাবা অমা মোরে হোস্পিটালদা ওক্সিজেন য়াওনা পুরক্তুনা লায়েংবদা মোরে হোস্পিটালগী ডোক্টরনা ফহনবা ঙমখ্রে। অনাবা অদুদি নম্ফালোংদগী সিতা পোখ্রেল কৌই। য়াম্না ৱানা ৱা ঙাঙবা ঙমদনা পুরকখিবা অদু মোরে হোস্পিটালগী ডোক্টরশিংনা কন্না হোৎনবদগী ঙসি চৎপা ঙমখ্রে, ৱারী শানবসু য়ারে। পেসেন্ট অদু ফরে হায়না মহাক্কী নুপা অমদি মরী মতাশিংনা পুখ্রে।

বোর্দরদা লৈবা মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎপা খুৎশু খুৎলাই কয়া লৈরি। এক্স-রে মেছিন অমসুং অল্ট্রা সাউন্দ মেছিনসু য়াদনা লৈরি। হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মহুৎসু পীরক্ত্রি।

ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা মোরেগী মীয়াম্বু লৈঙাক্লা থৌওইবীদে হায়না মোরেদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মীহুৎ কয়ানা ফোঙদোরকখি। মোরেদা অনাবশিংনা মোরে হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়েংবা মতমদা ডোক্টর ফরগসু খুৎশু খুৎলাই মতিক চাদবনা মরম ওইরগা ইম্ফাল তম্না লায়েংবা চৎনরি। ইম্ফালদা লায়েংবা চৎপা ঙমদবা কয়া অমদি মোরে হোস্পিটালদা লায়েংনরি।

ইম্ফালদা পুদবা য়াদবা অনাবা কয়া লায়েংবা চৎপা মতমদা সনা-লুপা বন্ধান থমদুনা লায়েংবা চৎনবা য়াওরি। ইঙ্খোল বন্ধান থম্বা ফাওবা য়াওনরি। লায়েংবা ফরগা হল্লক্লবা মতুংদা ইঙ্খোল বন্ধান থমখিবা কয়া হন্দোকপা ঙমদবদগী মীনা লৌখিবসু য়াওখিদবা নত্তে। মোরে হোস্পিটালদা লৈরিবা ডোক্টরশিংসু ইম্ফালদা লৈরিবশিংগা মান্নে। অদুবু খুৎশু খুৎলাই লৈতবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

মোরে হোস্পিটালদা লৈফম থোকপা এক্স-রে, ঈ সী জি, অল্ট্রা সাউন্দ, লেবোরেটরিগী মচাক, ওপরেসন থিয়েটর লৈরগসু ফঙ্কসন তৌদ্রে। ব্লদ বেঙ্ক লৈতবা অসিসু লাইবক থীবনি। মোরে হোস্পিটালগী অৱাৎ-অপা কয়া মপুং ফাহন্নবা মিনিষ্টর, এম এল এ অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর য়াওনা মোরেদা লাকপা মতমদা হায়খিবা কয়া অদু নুঙদা ঈশিং হৈবগা মান্নরে হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরি।

ভাইস চাঞ্চেলরস মিট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা হোষ্ট ওইরগা এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটি (এ আই য়ু) ইষ্ট জোন ভাইস চাঞ্চেলরস মিট হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্লগনি হায়না এ আই য়ুগী প্রসিদেন্ট প্রো. পি বি শর্ম্মনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কম্মিটি রুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এ আই য়ুগী প্রসিদেন্ট প্রো. পি বি শর্ম্ম অমদি জেনরেল সেক্রেটরি প্রো. ফুর্কান কমারনা হায়খি, হয়েংদগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা এ আই য়ু ইষ্ট জোন ভাইস চাঞ্চেলরস মিট অসি পাঙথোক্কনি। ফ্যুচর য়ুনিভর্সিটি চেলেঞ্জ এন্দ ওর্পোচুনিটি ফোর রিলিভেন্স এন্দ এক্সিলেন্স হায়বা থিমদা মিট অসি পাঙথোক্কনি। টেক্নিকেল সেসন অহুম লৈগনি।

রোল ওফ হায়র এদ্যুকেসন ইন ট্রান্সফোর্মিং নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া, রোল ওফ হায়র এদ্যুকেসন ইন কেটেলাইজিং এক্ট ইষ্ট পোলিসি হায়বা হীরমদসু খন্ন-নৈনগনি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট নিপান য়াওনা ষ্টেট ১২দগী ভাইস চাঞ্চেলর ৪০ রোম্না মিট অসিদা শরুক য়াগদৌরি। ঝরখন্দ, বিহার, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভর্সিটি কয়াদগীসু শরুক য়াগদৌরি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
NINGTHOUKHONG**

Ref:- Mut. Case No. 403/SDC/NTK/2017

Salam (O) Memsana Devi W/o (L) S. Kunjabihari Singh of Ningthoukhong Kha.

... Petitioner

-Vs-

Late Salam Kunjabihari Singh S/o Atomchou Singh of Ningthoukhong.

... O.P

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Ningthoukhong, 16th November, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 93 (O) 316 (N) C.S. Dag No. 2239 an area 0.10 acre of Ingkhol Class অসিগী Pattadar অসি মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী লোয়নবী (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৩/১১/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/4729/17

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
NINGTHOUKHONG**

Ref:- Mut. Case No. 404/SDC/NTK/2017

Salam (O) Memsana Devi W/o (L) S. Kunjabihari Singh of Ningthoukhong Kha.

... Petitioner

-Vs-

Late Salam Kunjabihari Singh S/o Atomchou Singh of Ningthoukhong Kha (Co-pattadar No. 2).

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Ningthoukhong, 16th November, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 311 (O) 681 (N) C.S. Dag No. 1319 an area 0.965 acre out of 1.93 acre of Phourel Class অসিগী Co-Pattadar- 2 অসি মৃত ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী লোয়নবী (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৩/১১/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/4729/17

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ/ NOTIFICATION

Dated, the16th November, 2017

No.MISC/Letrs/CEGM/2017: It is hereby notified to the respected members of the **Cine Editors' Guild Manipur,** that a General Body Meeting will be held on 19th November 2017 (Sunday) at 9 am (sharp) at the office, Fly high films, (Yoimayai Mongsaba), Uripok Achom Leikai, Imphal.

Sd/- **Romi Lamabam,** *Secretary,*
Cine Editor's Guild Manipur

R.S.V.P. 9862015735 / 897404207

HL-P/104/17

ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা

Imphal, the 16th Nov. 2017

Defence and Development Committee, Sega Road Khwairakpam Leikai, Imphal, Ward No. 9 & 10 হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসি Deputy Registrar of Societies, Imphal West Manipur দা Register তৌজরগনি। মসিদা কনাগুম্বা মীওইনা ওবজেক্সন তৌবিনিংবা লৈরগদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৫ (মঙা) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌবিবা য়াগনি। মখা তাবা ওবজেক্সন লৌজরোই।

Sd/- **Kh. Nabakumar Singh,** *President,*
D.D.C.,Sega Road Khwairakpam Leikai ☎ **8794783297**

HL-P/3037/17

ꯈꯪꯍꯟꯕ/খঙহঞ্জবা

ইম্ফাল ১০/১১/২০১৭

Manipur Home Guard Employees Welfare Assn. গী Extended Managing Committee গী মীটিংদা তাখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না এসোসিয়েসন অসিগী অনৌবা থৌ পুনবা মেনেজিং কম্মিটি মেম্বরশিং খন্ননবগী জেনরেল বোদি মীটিং ২০১৭ ইংগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা লেপ্পখিবগী মতুং ইন্না হান্না এসোসিয়েসনগী মেম্বরশিংনা রিন্যুএল তৌবা অমসুং এসোসিয়েসনদা নৌনা মেম্বর ওইবীনিংবশিংগী অরোইবা মতম মখাগী মতমসিদা লেপ্লে।

মরম অদুনা মেম্বরশিংনা আধার কার্দ কোপী অমগা লোয়ননা রিন্যু তৌবীনবা অমদি মীং চনবীনবা খঙহঞ্জরি।

অরোইবা মতম : তাং ৩০-১১-২০১৭ ইং।

Sd/- Kh. Inaobi Devi
Gen. Secretary, MHGEWA

HL-P/4737/16&17

Government of Manipur
State Nodal Cell - "Manipur Health Protection Scheme (MHPS) - Hakshelgi Tengbang"
Directorate of Health Services, Lamphelpat
Imphal, Manipur - 795 001
Website for e-Tender : manipurtenders.gov.in/
Email: sno.mhps@gmail.com

No.: 1/MHPS/DHS(PH)-2017 **Dated : 9th November, 2017**

NOTICE INVITING E-TENDER (NIT)

e-Tenders invited from eligible bidders for hiring of Implementation Support Agency for Providing Support Services for Implementation of the Manipur Health Protection Scheme (MHPS) for a period of 3 years. The bid document can be downloaded in e-procurement portal **manipurtenders.gov.in.** Bids have to be submitted through e-procurement portal.

Important Dates :

i) Pre-bid Meeting (Date & time) : 23rd November, 2017, 12:00 hrs IST
ii) Closing Date and Time for Submission of Bids: 30th November, 2017, 23:00 hrs IST
iii) Date and Time of Opening of Technical Bid : 1st December, 2017, 11:00 hrs IST
iv) Date and Time of Opening of Financial Bid : 6th December, 2017, 11:00 hrs IST

Sd/- **Dr. Kh. Sasheekumar Mangang**
Nodal Officer, State Nodal Cell-MHPS

HL-B/4222/17

ꯃꯐꯝ ꯑꯍꯥꯡꯕ / POST VACANT

Dated 15th November, 2017

Ref. No. 163/786/MNGO-GFI(AWCD)/2017 :- Application are invited from the citizens of Manipur to fill up the following existing vacant posts of the **AWCD, MNGO, GF-INDIA, MANIPUR STATE REGION.** The prescribed application form can be had from the **Office of the AWCD, MNGO, GF-INDIA, MANIPUR STATE REGION, SINGJAMEI CHINGAMATHAK, ELECTRICITY BUILDING, 1st Floor, Imphal West District, Manipur** during office hour w.e.f. 16th November, 2017.

The duly filled in application form should be submitted on or before 25th November, 2017 along with DD (Demand Draft) of Rs. 500/- (Five hundred only) in favour of "ALL WOMEN AND CHILD DEVELOPMENT" payable at Imphal.

Sl. No.	Name of Posts	No. of Posts	Qualification	Salary per month
1.	ANIMATOR GRADE-A(a) (Asst. Project Director)	01	Graduate	7500-45000-55000
2.	ANIMATOR GRADE-A(b) (Project Coordinator)	02	Graduate	6500-30000-50000
3.	ANIMATOR GRADE-A(c) i) Asst. Project Coordinator ii) Supervisor iii) Dealing Assistant iv) Accountant	03	Graduate	6000-25000-45000
4.	ANIMATOR GRADE-B i) Gate Supervisor ii) Mechanic iii) Field Assistant iv) Fabric Examiner v) Store Keeper vi) LDC vii) Driver	14	XII	5500-21000-37000
5.	ANIMATOR GRADE-C i) Assistant Gate Supervisor ii) Office Bearer iii) Project Worker iv) Peon v) House Watcher vi) Mali	60	VIII	4000-15000-21000

Date of Interview : 30/11/2017

Place of Intervier :
Office of the "ALL WOMEN AND CHILD DEVELOPMENT"
SINGJAMEI CHINGAMATHAK, ELECTRICITY BUILDING,
1ST FLOOR, IMPHAL, IMPHAL WEST DIST. MANIPUR.

Sd/- Superintendent
AWCD, MNGO, GF-INDIA, Manipur State Region

HL-P/099/16&17